# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-03-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৭-০৩-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম ঙসি লোইশিল্লগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাদগী লালহৌবা মঙা ফারে, য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুমসু ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) নোংচুপ এসিয়াদা উংখৎনবগী ফিভম লৈরবসু ভারত্তা এল.পি.জি পুবা জহাসশিং লেপ্তুনা চংলক্লি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**এসেমব্লি (এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম ঙসি লোইশিল্লগনি। ঙসি অরোইবা নুমিত্তা সদস্যাশিংনা হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম মরি লৈনবা মন্ত্রিশিংনা পীগনি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা বিভাগ তরেৎকী দিমান্দশিং খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি।

দিমান্দশিং অদুদি- ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন হাউজিং এন্দ অর্বান

দেভলপমেন্ট, পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়রিং, ভিজিলেন্স এন্দ এন্তি করপসন দিপার্টমেন্ট, ষ্টেট এক্সাইস, সেলস তেক্স, অদর তেক্সেস-দ্যুতিজ ওন কোমোদিতিজ এন্দ সার্ভিসেস, ফায়র প্রোতেক্সন এন্দ কন্ট্রোল অমসুং হোম গার্দ নি। দ মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন(নম্বর ২) বিল ২০২৬ সু সভাদা পুথোক্তুনা পাস তৌনবা খন্নগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা তেংনৌপল জিলাগী মচি পুলিস স্তেসননা কোনবা বোইজাং চীংশাং পরেংদগী য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অদুনা মফম অদুদা থি হুন্বগী থবক চথবদা আই.ঈ.দি ৮, পিষ্টোল ১, মেগজিন ১, শেমদোক্লবা মোর্তার ১, রেদিও সেট ২, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৯ ফাগৎখি। ফাগৎলবা আই.ঈ.দিশিং অদু- মণিপুর পুলিস সেফতি প্রোতোকোল অমসু চৎন-কাংলোনগী মতুং ইন্না পোখাইহনখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস স্তেসননা কোনবা বোর্দর পিলর ৭৩ অমসুং ৭৫ অনিগী লোন্নবা মরক্তা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা লালহৌবনি হায়বা মীওই ৫ ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুদি-প্রিপাক্কী কাদর অনি, কে.ৱাই.কে.এলগী অমা, কে.সি.পি-এম.এফ.এলগী কাদর অনি নি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২ দা সেনাপতি জিলাগী কবিনম খুলদা ত্রক অমা মৈ থারম্বগী কেসতা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা ফারে। মৈ থাবগী থৌদোক অদুদা শিজিন্নবনি হায়বা জিপসি অমা ফাগৎপা ঙম্লে। থৌদোক অসিদা চেন্নবা অতোপ্পা মীওইশিংসু ফানবা পুলিসনা মখা তাবা থবকশিং পায়খৎলি হায়রি।

**নোং (এল)ঃ** মণিপুরদা হৌখিবা অহিংদা মফম কয়াদা অকনবা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুখি। রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী পাউনা হায়-ঙরাংগী ওইনা তমেংলোং জিলানা মিলিমিতর ৬৬ য়ৌনা খ্বাইদগী য়ামা নোং চুখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপী জিলাশিংদনা মিলিমিতর ৪৮গী মথক্তা নোং চুখি । ইম্ফাল ইষ্টতা মিলিমিতর ৩২, বিষ্ণুপুর অমসুং উখ্রুলদা মিলিমিতর ৩১গী মথক্তা নোং চুখি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালগী চেরোল অমদা হায়-ঙসিসু মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা পারপ্তুগী ময়াই ওইরপ ফাওবা য়ৌনা নোং চুরবা য়াই। মফম খরদদি পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি। হায়রিবা ফিভম অসি হয়েং ফাওবা হোংলদবা য়াই হায়রি।

**সিএম(এল)ঃ** নিতিন নবিনবু বিহারদগী রাজ্য সভাগী এম.পি ওইনা খল্লকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা নুঙাইবা ফোঙদোকখ্রে। ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-শ্রী নবিননা বিহার বিধান সভাদা মঙারক হন্না সদস্যা ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা লুচিংবা অমা ওইবগী হৈথোই শিংথোইবা কয়া উৎতুনা কখোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী থাজবশিং মাংহন্দনা থবক তৌরমখি। মহাকা বিধান সভা সদস্যা ওইরিঙৈদা ফংলকখিবা এক্সপরিয়েন্সশিং অদু শিজিন্নদুনা জাতিগী চাউখৎ থৌরাংদা অমদি লৈবাক অসিগী গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল কনখৎহনবদা চাউরবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়না থাজৈ হায়নসু মুখ্য মন্ত্রি খেমচান্দনা থাজবা ফোঙদোক্লি।

**এল.পি.জিঃ** কতারদগী লিক্বিফাইদ পেট্রোল্লিয়ম গ্যাস(এল.পি.জি) মেত্রিক তন লিশিং ৪৬ পুদুনা লাকপা জহাস সিৱালিক ঙরাং নুমিদাংৱাইরম গুজারাটকী হিথাংফম মুন্দ্রা পোর্টতা য়ৌরকখ্রে। নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা

ফিভমশিংগী মতাংদা নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা ইন্তরমিনিষ্ট্রিয়েল ব্রিফিং অমদা কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং এন্দ ৱাতর ৱেজকী স্পিপসিয়েল সেক্রেটরি রাজেশ কুমার শিনহানা হায়-এল.পি.জি পুবা নন্দা দেবী কৌবা ভারতকী অতোপ্পা জহাস অমসু ঙসি য়ৌরক্লগনি। মসিগী মথক্তা য়ু.এ.ঈদগী ভারতকী ফিরাল থেৎতুনা লাক্লিবা অতোপ্পা জহাস জগ লারকি কৌবা জহাস অদুসু অয়েৎ অপন য়াওদনা ভারত তমা লাক্লি হায়নসু শ্রী শিনহানা ফোঙদোকখি।

কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জৈস্বালনা হায়-ইরাননা লৈরম্বা ভারত মচা ৫৫০ কংফাল লম্বীদা ঙমখৈ লাম্হোক্তুনা লাক্লগা আরমেনিয়া য়ৌরকখ্রে। অতোপ্পা ভারত মচা ৯০ সু ঙমখৈ লাম্হোক্তুনা আজর বৈজান য়ৌখ্রে। ভারত মচাশিংবু অশোই অঙাম য়াওদনা কংফাল লম্বীদা ঙমখৈ লান্না থাংদোরকপগী থবক অদু তেহরানদা লৈরিবা ভারতকী এম্বেসিগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

**মীখলঃ** অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরিগী বিধান সভা মীখলশিংগী মীরেপচে পীশিন্নবা হৌখ্রে। হায়রিবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ম টেরিটরি অসিগী মীখলগী মতম তামিলনাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসননা নহান লাউথোকখিবনি। অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরিগী মীখল মথং থাগী ৯ দা পাঙথোক্কনি। রাজ্য ৪ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি অসিগী মীখলগী ভোৎ মশিং মে ৪ দা থিগনি।

নোংচুপ বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখলগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসননা মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা চেকশিল থৌরাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরি। রাজ্য অদুগী পুলিস স্তেসন খুদিংমকা মখোয় মখোয়না কোল্লিবা মফমশিংদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমশিংগী অকুপ্পা ৱারোল পীখৎলকবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, বি.জে.পিনা নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং কেরলমদা দল অসিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী অহানবা লিষ্ট লাডথোকখ্রে।

**নেতোঃ** অমেরিকা অমসুং ইজরেলনা ইরানগী মথক্তা লান্দাখ্রবা মতুংদা নোংচুপ এসিয়াদা উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা অমেরিকাগী রাস্ত্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা স্ত্রেট ওফ হোরমুস হোংদোকবা হোৎনবদা নোর্থ এতলান্তিক ত্রিতি ওর্গনাইজেসন(নেতো)না মতেং পাংবীনবা হায়রক্লিবা ৱাফম অদু নেতোদা য়াওরিবা য়ুনাইতেদ কিংদম অমসুং জর্মনিনা য়াখিদ্রে। ইরানদা লান দারিবা অসি এলাইয়েন্স অসিগী পান্দম নত্তে হায়নসু লৈবাক অনি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা হেলথ কার্দ শাবদা অরানবা কয়া চখ্থরে হায়না হাউসতা পুখৎলকখিবা অদু য়েংশিল্লগনি হায়না মখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবা অমসুং রাজ্য অসিদা গন লাইসেন্সশিং অমুক নৌহৌননা য়েংশিল্লগনি হায়বা পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

পাউচে অসিগী মণিপুরী এদিসনদনা- সেন্সস য়ৈথোকপীনবা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা এশেমল্লিদা ফমজিন্নবা হোৎনখি, পুলিসনা থিংখি হায়বা পাউনা অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

হকশেল কার্দ পায়বশিং লায়েংবদা কোতি ৭৪৬ চাদিং তৌখ্রে হায়রিবসি থিজিনসি হায়বা এম.এল.এ রঞ্জিৎকী ৱাফম অমসুং কোইরেংগৈ এয়রফিল্ডবু নেসনেল হেরিতেজ সাইট ওইহন্নবা এম.পি সনাজাওবনা পার্লিমেন্টতা

পুথোকখ্রে হায়বা পাউশিংনা- সনালৈবাক্কী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

কংলমদ্রিবা ইফুৎকী অইবী ডা.হাউবম নলিনিদা সহিত্যা একাদেমি এৱার্দ ২০২৫ পীরক্লে হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মণিপুরদা লম কোইবশিং লাকপগী চাং হন্থখি হায়না এম.পি বিমোল অকোইজমদা কেন্দ্রগী টুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱাৎনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে হায়বা পাউনা- মণিপুর মেলগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

দিমান্দ ফোর গ্রান্ট ৭ কী অপুনবা শেনফম লূপা কোতি লিশিং ২,৫২৪ হেনবা পাস তৌখ্রে, নোংলৈ নুংশিৎ অমদি লেননা অমাং অতা থোকহনখ্রবা য়ুমশিং মতেং পীনবা দি.সিশিংদা খঙহনখ্রে হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংদা বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

আই.দি.পি অঙাংশিং থা অমদা লূপা লিশিং ৪-৪ ফংহন্নবা সেন্তরনা শেল খরা থাদোরক্লে হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অমসুং টুরিষ্ট স্পোর্টশিং শেমগৎ শাগৎপসু হৌরে, অনৌবা প্রোজেক্টশিং পীখৎখ্রে হায়বা টুরিজম মন্ত্রি কে.ঐচ লোকেনগী ৱাফমনা- পোকফমগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

এন.আই.এনা এন্তি ইন্দিয়া এক্তিবিতিজ চৎখে হায়বগী মরালদা মপাল লমগী মীওই ৭ ফারে অমসুং আর.টি.আইগী রিপোর্ট অমদা
হৌখিবা চহী ৫ দা মণিপুরদা উ লাক্ষ ২ লিশিং ৬০ হেন্না ককখি হায়বা পাউনা- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নাগা ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন অমসুং অন্সমনা নাগা তাবা লমশিংদা হাংলিবা

মহৈহেলোইশঙ অমসুং সরকারগী ওফিসশিংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সকী গাইদলাইনগী মতুং ইন্না ভন্দে মাতরম শকপা য়ারোই হায়না খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ- গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

**--- পাউ লোইজরে ---**